# খন্বা থোইবী শৈরেংদা *ফী ৱাইবা* : অকাউ পৱৈ চনখ্রবা ৱারীগী লাতম পিরাং পিরোইননা হাংদোরকপা -২

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

খুমন নোংয়াই খন্বনা লীচৈ মতুপ অমা পায়দুনা মচেমগী মাঙ থানা লাক্লগা থোংলেনগী য়ূমদা থুংলখিবদু নোংঙাল্লমদাইদনি। লুরিবদি মরোন মঙা নাইনা য়ৈশিন্দুনা শেম্বা অদুক্কী মতিক কনখ্রবা শামুনফাওবা নমথেকপা ঙম্লরোইদবা হোজংগী থোঙনি। মদুবু চেৎনা লোনশিল্লগা মনুংদুদা কন-থৌরবা থোঙশঙবা নুপা তরামঙানা মীকুপ নাহুম শিংনা চেকশিন্না ঙাক্লগা লৈরিবা থোংলেনগী শঙ্গাইনি, ইরায় লায়না পাক হেক চঙবা ঙম্বা নত্তে, মী লাকপগী শামিন খজিত্তং ফংবদা থাঙ-তা হৌবীনি। অদুগুম্লবা হোজংদুগী ৱাংমদা লেপ্লগা খম্লুনা মপাইবুংঙো থোংলেন উনজ গে, থোঙ হাংদোকপীয়ু হায়জরকই। অহিং তাংলৌ অথেংবদা ইথা থাজদনা নুপী খোঞ্জেল তাবদা থোঙশঙবশিংদু অঙকপা ফাওবগা লোয়নননা কনাগুম্বা য়েক্লবশিংনা মাইরাং খুদুম চনশিন্নবা পাম্বৈ ওইনা অহানবা খোঙহৌদা পাঙ্গল্লবা থোংলেনবু লাকশিন্নবা লান্দারক্লব্রা হায়না চিংনরম্মী। অদুবু খম্লুনা হন্না হন্না হায়জবদগী থোঙ হাংদোক্লগা মনুংদা চিংশিনখ্রে। মখোয় মশেন খরা অমনা তামি হুরাল্লম্বগী ফুখিবা নুপীনি, খরনা নত্তে, অঙাওবীনি হায়না মানা মানা থোকপা ঙাঙনদুনা থওই উশিত্তনা লঙনবীরম্মী। হুরানবা লাকপা নত্তে, থোংলেন্দো মপানি হায়বা খম্লুগী ৱাফমদু থোঙশঙবশিংগী মনাদা হাপ্লমদে। অহোয়নদুম নুজা মাগী মশম চিংদুনা নোকগ্রেম হায়গ্রেম্নদুনা উশিৎ থওইদবা মতৌদু অদুমক মখা শাংথরম্মী। পূম্নমক্তু থোঙ কারক্তগী উর-তারবা খম্বদি শাউনীংবনা খম থেংলম্মী। মচেম্না মাবু কৌরক্লবদি হায়না তক্সি শোন্দুনা লৈরিঙৈদা মঙোন্দা মীওৎ মীনৈ চথুদুনা মপাইবুংঙো থোংলেনগী মনাক য়ৌহনবা ঙমহন্দনা লৈরিবশিং অদুবু তানখায়ররো, মোইরাং কাংজৈবুংদা উৎখিবা, মচেম্না উবা ফংহৌদ্রবা পাঙ্গল চাংয়েংদো উৎলরো হায়না য়াথং পীরকখি। মাগী ৱাহৈশিংদু তাবদা ময়ামদু চঙক্নে। মচেমগী য়াথং ফংবগা থিন্থদে খম্বা, মখোয়বু চৈরাক পীগে হায়রবসু মপাগী মনাক য়ৌরগা পীয়ু, মচেবু কিহনবগী মহুত্তা থোঙ হাংদোকউ হায়রম্মী। মদু ফাওবদা হুরানবনি হায়দুনা থোঙ হাংদোকপীয়ু হায়বা য়ারমদে। হাংদ্রবদি থোঙ নমথেক্কনি হায়বা খম্বগী ৱাফমদু তাবদা থোঙশঙবশিংদু অকি তুজুংবা ফাওই। অদুবু অদুক কনখ্রবা থোঙজাও অদু নমথেকপা মতিক ওইদে মতাং তৌবনি হায়রম্মী। মদুদসু নত্তনা মচিন মৌপ্বাবু থেংনহৈদবা লাই অনী হায়বদি অয়াংলৈমা অমসুং ফৌরুংবা ওইরমগনি হায়নৈ। থোংলেনগী চৈরাক্লা শিবসু শিবা লাই ওক্লদুনা শিবসু শিবা হায়না অহল ওইরবা অমনা শোল্লিঙৈদা খম্বগী ওই থংবা মখূৎনা থোঙ অদু ঈল্লকপদা থোঙনা অদু তেক্তুনা মনুংদা তাখ্রে। থোঙনা নল্লগনি হায়না চেন্থোক্লরকপদা অমগা অমগা থেংগাইনদুনা তুশিল্লি। নুপা তরামঙানা খম্ববু য়ৈগে তৌরকপদা মচেম খম্লুনা মৌপ্বাবু কনবীনবা লাইনিংথৌ থাংজিংবু খুরুমজরগা নুপা অমগী চৈ মুল্লগা অতোপ্পশিংগী চৈ পূম্নমক কন্থরম্মী। মচিন মৌপ্বাগী মতিক মথৌনা অমসুং শক-চু চঙখোনবা মতৌ অদুদা ময়ামদুনা থোইনা হেন্না ঙকপগা লোয়নননা অশেংবা মরী মখোঙ হংলম্মী। মোইরাংগী চাক্লিবীনি, থোংলেনবু খুরুমজগে লাকপনি, থাদোকপীরো হায়রকপদা ময়ামদো মীনুংশি পোক্লম্মী। মদুমক ওইদুনসু মতম চাদনা অহিংদা মী চঙহল্লি হায়দুনা পীরকপা য়াবা থোংলেনগী চৈরাকপুসু কিরম্মী। মরম অদুনা খম্লুদি নুপী ওইবনা খরা কোমথোক্লবসু খম্ববুদি চৎন-কাঙলোন মতুংইন্না মখূৎ তুংবুন্নরম্মী। মতৌ অদু উবদা খুমন চনু লায়রবী খম্লু কপ্না কপ্না মাগী চরৈ নমখাং ফীজিন্না কাঙ হুম্লগা থোংলেনগী হোজং অদুদা নোংঙাল্লকপা ঙাইদুনা মচিন মৌপ্বাদো ওন্থোক্লা ৱানা লেঞ্জখি।

অসুম্না হোজংদা থোক্লিবা থৌদোক্কী ঈৱাই ইনিলখোন্দু থোংলেনগী তালোয়শিংনা তারম্মী। থোংলেনদি তারমদে, ঙত্তা চূং হুত্তুনা খূত্তা থাঙলেন খূৎশা তা পায়দুনা খেন্দে চাইরেন নিংথৌগা লান শোক্লবগী মঙ মঙদুনা লৈবা তাঞ্জানি। নোংঙাল্লকপদা থোংলেনগী তালোয় অতোম্বীদো য়াহৌরগা শুমজিৎ অমা পায়দুনা পাক চাউরবা মাঙ্গোন্দু শীৎ-শেংলবা মতুংদা ঈরুজগে হায়দুনা চাইশেন অমা পায়রগা হোজংলোমদা থোরকই। মাবু উবদা মোইরাং কৈথেন কাদুনা এঞ্জাং নাপি লৈবগী থৌদা পুবীরা নৎত্রগা য়ূম কোয়বীরা হায়না খম্লুনা হংজৈ। মচিন মৌপ্বাগী শক্তম অমদি লৈরম্লিবা ফীভম অদু উবদা তালোয় অতোম্বী অদু অঙকপা ফাওবগা লোয়নননা মতু চুংলম্মী। মহাক কনানো হায়বদু তাকপীরকপদা ইমাতোন হায়বা মিংগৌ শীজিন্নদুনা লায়র লমজা মচিন মৌপ্বা লাকই হায়না পন্থৌ থোংলেন্দা হঙ্গৎপীয়ু হায়জরম্মী। থোংলেন মনাই থোঙশঙবশিংনা খম্ববু পুনশিন্দুনা থম্বনি হায়বসি খম্লুগী মফমদগী খঙবা ঙম্লম্মী। মখূত্তা পায়রম্বা চাইশেন অদু হুঞ্জেক্লম্লগা মমা শকপীনি খঞ্জরিবা মচেমহল থোংলেনবীগী মখোঙদা তুরগা হীক হীক কপ্তুনা লৈরম্মী। মাগী মতৌদুদা কেগে মচা লমহেন তুহেনবশিংনা ফাগি জুগাই তৌদুনা থওই উশিত্তবা মতৌ উৎলকপরা নৎত্রগা মপাম মায়গৈদগী অৱা অনাগী পাউ লাকপরা হায়না হংবীরকই। লমজা মচা অনীনা লাকপগী মরম অমদি ওইহৌবা ফীভম অদু তম্লগা লমজা মচিন মৌপ্বাবু মানা নাউকোঞ্জনবা থোংলেন্দগী অয়াবা লৌবীনবা হায়জরকই। অদুক্কী মতিক ফিংখ্রবা শাথীবা থোংলেনগী য়াথং নত্তনা পাঙথোকপা য়াবা থবক নত্তে, য়াথং ফংলগা য়োকচৌ হায়বীরকই। ৱাফমদু তাবদা তালোয় অতোম্বীদো চেন্থোকখ্রগা মচিন মৌপ্বাবু শোকপা য়ারোই হায়না থোংলেন মনাইশিংদা লাউরম্বগা লোয়নননা মমা অমা ওইবগী নুংশিবা ৱাহৈনা মচিন মৌপ্বাবু মতম্বাক্তা পমগে হায়রম্লগা ইমুংদা চঙখ্রে। ইমুংদা থম্বা শোকপা পনবা য়াবা শীং-য়েন, খুজু-খূৎলায়, থাঙ-তেন্নচিংবা পূম্নমক মপান্দা হোন্দোক্তুনা থম্লগা অমদি মমাঙথোঙ মনীংথোঙ অনীমক হাংদোক্লবা তুংদা থোংলেনবী তোম্বী মচিন-মনাওমক লোংখাক লোংনা হীপ্লগা হি হি খিগত্তুনা মঙদা লান কন্না শোক্লরিবা থোংলেনগী নাক্তা লেপ্তুনা লৈররে। পাক হেক হৌদোকপা ঙমদে, তান চাদ্রবদি হৌদোক্লুরিবা মীশক্তো থাঙ চাগদৌরিবনি। ৱাফমসি তোম্বীদা থোংলেনবীনা তাকপীবগা লোয়নননা হেক হৌদোকপা মীৎকুপ্তা কাংখদা চেনশিন্নবা পাউতাক পীরম্লগা মপান থোকখ্রগা মনীংথোঙদা লুমদুনা লৈরম্মী। তালোয় তোম্বীনা হন্না-হন্না হৌদোকপদু লান শোক্লরিবা থোংলেন্না তাবা কৌবা মরৈখিদ্রে। কাইনথংদা পাম্বৈ থিরকই, খুয়ারোমদা লেপ্লগা খংলাউ লাউদুনা খোঙবী অনীদু লোংথেক থেক্লম্লগা কাংখদা চঙদুনা লোৎখ্রে।

ফিংখ্রবা থোংলেন্নি লোংহুন্না চোংথরক্লগা খেউনা শাবা তোংজৈ লাম্মী, ফম্মাঙদা লৈরম্বা তুংগা অমা পোদ্রোক লাউই মানা নেৎখায়বদা। লময়াইদা লেপ্লগা ইঙাও ঙাওনা কোয়না লৈনা মনিং মমাঙ উরা হুমদাং য়েংলকই। য়েক্লবনা লান্দারক্লে খন্দুনা লাউ, খোংদুনা মনীংথোঙদা চেন্থোকখি। থোংলেন কিবদগী চেনখিগে হায়না চোংথবদা থোংলেনবীদো তুশিল্লি। মাবু উরমদনা মথক লান দুনা চোংখি থোংলেন্দো। লানগী খুদম চাংদম লৈচিন্না পীবরা হায়না নোংথক্তা য়েংখৎলি। খুদম চাংদম অমত্তা পীদবা তশেং তশেংবা অতিয়া উবদা অঙকপা ফাওরম্মী। তালোয় কনামত্তা উদবদুদা য়েক্লবনা লানফা ওইনা পুখ্রবনি খল্লি। তালোয় অহন থোংলেনবীবু কৌরদুনা তেংথারকখি। মতাংদুদা থোংলেনবীনা মহাক তেক্তা কায়দনা লৈরি খঙহল্লকপদগী নে না তানা শ্বর হোন্থখি। মপুরোইবগী মফমদা থোক্লিবা থৌদোক্তু পাউদম্লগা অঙকপা চিংনবদু কোকহনগে খন্না চোং ফনবা অমদি থৱায় ৱাখিবগা য়ান্নদুনা পুমচোক চোকথরবা মপুরোইববু পোরগা পুশিঞ্জে। তালোয় তোম্বী ইমুংদা লৈরমগনি হায়রকপদা মানা ফমুংদগী চোংথরকপদা নেৎখায়দুনা শিখ্রে হায়না হায়রকই। তোম্বীনা কাংখদগী থোরক্লগা নেৎখায়রিবদু তুংগানি হায়রকপদা পূন্না নোকমিন্নে। মাবু হৌদোকপগী মরম হংবীরকপদা থোংলেনবীগী য়াথং ফংলবা তোম্বীনা লায়র মচিন মৌপ্বাবু থোঙশঙবশিংনা ওৎপী নৈবীবগী থৌওং অদু মিৎলু পিরাং ঈহৌনা তমজরম্মী। মদু তাবদা থোংলেন খোয়রাংনরম্মী, থোংলেনবীগী খোম্লাং ঈহৌরকখি। থোংলেন য়াথং পুরদুনা তালোয় তোম্বীনা মচিন মৌপ্বাবু লৌশিল্লুরগা পুরকই। মমা মপা অনীবু উবদা খম্লুনা কপ্না কপ্না মখোয়বু থিজরক্লিবনি হায়রকপদা থোংলেননা চোংশিন্দুনা কোনশিনবীরে। থোংলেনবীনা খম্ববু মমা ওইবীগী চীন্দম হৈ ইনবীদুনা মপাঙ্গল হাপ্পীরকই। থোংলেন্না খম্ববু চিংথোক্তুনা মতম্বাক্তা পম্লগা খম্লুবু অমুক থোংলেনবীগী মতম্বাক্তা পমহল্লগা মবুক পীথকখি। খম্ববু মতম্বাক্তা পম্লগা কোনশিল্লুবদা মখূত্তা পল্লকপা ঈ অদু অহিং মখূৎ লেঙবা হায়বা য়াদনা তুংবুন্নরিঙৈদা কাঙনা চিকখিবগীনি খঙলবদা মনাই মুবা থাদুনা থোঙশঙবশিং অদু কৌহল্লুই। থোঙলেনগী য়াথং ফংলবা মুবনা নুপা অমা মশম পায়রগা চিংখৎলি, মকোক অদু খুকউনা চপশিল্লগা মখূত্তা পায়বা য়োখোক্লা য়ৈরগে হায়না থাংগৎলি। মীনুংশি চাউবী, থৌজালনা য়োম্লবী, ঙাকপীহৈবী খম্লুনি, থোংলেনবীগী তম্পাক্তগী চোংথরগা মুবগী চৈদো তুংলোমদগী ফারুবদা মুবদু তুশিল্লি। থৌগল্লোন তাকপীবা ওইনা মঙোন্দা ফুবীয়ু হায়রকই। মুবদো খূৎ থাবা ঙমদে, ঙকচান্নে। মাগী মতৌনা মমা মপাবু নুংওলহল্লিঙৈ তাঞ্জাদা মুবদগী চৈদু মুল্লগা থোঙশঙবশিংদু য়ৈবীদনবা হঙ্গৎচরকই। খম্লুগী য়েংলগা য়ৈবমক্তি য়ৈবীদ্রে হায়ববু মখোয় তরামঙামক মরু কোকথোক্তুনা হামুক য়াইঙং তৈরগা ইরোই শেন্নবগী থবক তৌহনখি। মতম কুইনা মচা অনী লৈখিবনি হায়বা কাউথোক্লু বৈদমক নিংঙমদবা ফাওবগা লোয়নননা মশা মথন্তা পেন্দবা ফোঙদোকচৈ। মচিন মৌপ্বানা লাকপগী মরম খঙলবদা মখোয় অনীগীদমক অপোকপী ঙাংখরৈমা অমসুং অপোকপা পুরেম্বনা চরৈ মখল কয়াগা লোয়নননা কাউরেন ষণ ময়াম অমসু মঙোন্দা শিন্নরম্মী হায়না তাকপীরকই। মমা মপানা শেৎলম ইল্লম্বা ফিজেৎ, লৈতেং হাপ্তুনা থম্লিবা তাবু লূবাক মঙামক হাংদোক্তুনা মচা অনীদা য়েংহল্লি। থাংজিং হরাউবদা শাগদবা জগোয়দো মশামক্লা খম্ববু অমদি থোংলেনবীনা খম্লুবু তম্বীখি।

জগোয় তম্বীবগী পুঙখোন্দু মজাইবেম্মা থোইবী, মনাই সেনুনা তাবগা লোয়নননা কনাবু তম্বীরিবগে খঙজবগা লোয়নননা ৱাঙ্গোন পুখ্রি মপান্দা জগোয় শাখি। চাউবা নোংথোনবসু অরায়বা নত্তে, মনাই মশন থাদুনা থিদোকহল্লি। লমজা মচিন মৌপ্বাদো থোংলেনগীদা কেদৌরি হায়বদো খঙখ্রে। ঙন্তানা কোনুং কাখি। পুঙখোন তারবা নিংথৌনা মরম হংবদা থোংলেননা লাইনিংথৌ থাংজিংগী কোমায় ময়ূমদা পুথরগা হরাউবগীনি হায়না ফাগি তৌবদা থোংলেন্দো মনীং মখা তৌমল্লি হায়না শাওরম্মী। কোন্নথংদা অশেংবদু খঙলবদা নিংথৌদু পেঞ্জখি। নাকল অমরোমদা জগোয় তম্বীরবা মতুংদা মচিন মৌপ্বা অনীমক ঈরু মায়থজরগা চাক ঈশিং পূন্না চামিন থকমিন্নে। মফি মরোন পূম্নমক মনাইশিং থাদুনা থিলহনখিবগা লোয়নননা য়ূম ইঙ্খোল হোজংনচিংবা পূম্নমক শেংদোকহনখি। লাইবুং কাবগী হৌন লোনচৎ পূম্নমক তাকপী তম্বীরগা ময়ূমদা চৎহনখ্রে। মচিন মৌপ্বানা ময়ূমদা থুংলুবগা ফৈরোইজাম্বসু থুংলৈ, হরাউবুং কামিন্নবা চাউবনা থারকপনি। খম্লুনা পানা কৎলগা মচিন মৌপ্বানা খুরুমজৈ। খম্বনা মীরোন তাদ্রিঙৈদা পলেম পন্থৌ কায়নখ্রবা তুংদা থোংলেনগীদা লৈরিঙৈদা কপমনবদগী নুমিৎ তরানি লৈরগা চাউবগীদা অমুক লৈবা, মদুদসু হামুগী হামু ওইবদগী খম্লুনা হায়জবা মতুংইন্না নুমিৎ তরেৎনি লৈরগা ময়ূমদা লৈরুনবা চৎখিবদা থোঙ্গাল য়ৌবগা খম্বনা নোকচবা, চাউবগী ময়ূমদগী থিনখিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং শীজিন্নদনা নিরগা চাবা, মখোয় উরগা থৈদোক্লবা হোৎনবা কয়া অদুনা লাপথোক্লহনখিবা কাউনখিবগী ৱারী লীরম্মী। অসুম্না পূক্লিং নৌথোক্লরগা কপমিন্নদুনা শুমাঙদা থোরকই। অমনা অমগী চৈঙাক ওইদুনা তাথোক তাশিন তৌনজগে হায়না নোংগাখ্রবা পলেম পন্থৌগী মফমদা খুরুমজরকই। পুরেম্বা ঙাংখরৈমা অনীনসু নোংদোন লাইরৈবাক্তগী বর পীবিরকই। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## খাঙবোক্তা এম জি এন আর ই জি এগী থবক শুখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচএনএস): মহাত্মা গান্ধি নেসনল ইমপ্লোইমেন্ট রুরেল গরেন্টি এক্টকী মখাদা খাঙবোক পার্ট-১ জি পিগী মনুং চন্না লৈবা গুনে পুখ্রি অমদি অকোইবদা লৈবা জোব কার্দ হোল্ডরশিং জি পি অসিগী জিলা পরিষদ মেম্বর কে ঐচ রাজ মোহনগী মখাদা ঙসিদগী থবক শুবা হৌখ্রে।

মীয়াম থবক শুরিবা অদুবু য়েংশিল্লদুনা জিলা পরিষদ মেম্বর কে ঐচ রাজমোহননা ফোঙদোরকপদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা নুমিৎ মঙানি চুপ্না পুখ্রি অমদি অকোইবা লু-নান্না থম্লবগীদমক্তা থবক শুগনি। মসিনা কোভিদ-১৯গী লোকদাউনননা শুফম নোম্ফমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি। লোয়নননা কার্দ হোল্ডরশিংনসু থম্মোয় শেংনা থবক শুসী হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোকদাউনগী ৱারবা মতম অসিদা জিলা পরিষদ মেম্বরনা থবক শুবা ফংহনবিবগীদমক জোব কোর্দ হোল্ডর অমনা অপেনবা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়নননা মখা তানসু থবক শুহন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## লম ঙানু থাদোকখ্রে

ককচিং, মে ১৮ (ঐচ এন এস) : ঙরাং নুমিদাংৱাইরম সেকমাইজিন মনিং লৈকায়দা লৈবা ওইনাম রমানন্দ এলিয়াস রবি অপোকপা ওইনাম চিংলেননা মহাক্কী লৌবুক্তা ঙা ফানবা থম্বা লুদা চঙলম্বনি হায়বা লম ঙানু অমা কল্লবা মতুংদা থাদোকখ্রে হায়রি।

লম ঙানু অসি আই য়ু সী এনগী লিষ্ট কন্সনগী মনুং চনবা ঙাক-শেনবা উচেক অমা কনবিরবা মতুংদা জে ইন্ট কো-ওর্দিনেসন কম্মিতি ওন ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি (জে সী সী দব্লীয়ু বি), মণিপুরনা ঙসি অয়ুক কম্মিতি অসিগী মেম্বরশিং অমদি উচেক অসিবু মীনুংশিগা লোয়নননা কনবীরকখিবা রমানন্দা মশামক য়াওনা লোক্তাক পাৎকী শাফগ্দবা মফম অমদা থাদোকমিন্নখি।

## মঙাল হেল্থ ক্যেরনা লুপা লাখ ১গী মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচএনএস): থৌবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিগী লমজিং মখাদা থৌবাল কেন্দ্র কোভিদ-১৯ এইদ কম্মিতিনা থৌবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সীগী ওইনা মপানদগী হল্লকপা মীওইশিং থম্নবা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টর পুন্না ৭ হাংদুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯১ ক্বারন্টিন তৌদুনা চেকশিন্না লৈহল্লি। মখা তানা থোক্লকপশিংসু থম্নবা থৌরাং তৌরি।

হৌজিক ফাওবদা থৌবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সীগী ওইনা হাংলিবা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসিদা নুপা ৫৭ অমসুং নুপী ৩৪ পুন্না মীওই ৯১ ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লি।

অমরোমদা, থৌবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা হাংলিবা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসিগী মতেং ওইনবা ইম্ফালগী জে ামি ভিলাদা লৈবা মঙাল হেল্থ ক্যের এন্দ ইন্সটিট্যুটকী প্রোপ্রাইটর কম মেনেজিং দিরেক্টর ওইরিবা থৌবাল নিংঙোম্বমদগী এন গোজেননা থৌবাল কেন্দ্র কোভিদ-১৯ এইদ কম্মিতিদা লুপা লাখ ১গী শেনফম তেংবাং পীখ্রে।

থৌবাল ৱাংমতাবাদা লৈবা থৌবাল কেন্দ্র কোভিদ-১৯ এইদ কম্মিতিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা শেল তেংবাং পীবগী থৌরমগা মরী লৈননা এন গোজেননা হায়, মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইবু য়োৎশিল্লগে হায়বগী মতাগুম শন্ দারক্লিবা তমথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিদগী কালহৌদবা য়াদে হায়দুনা থৌবাল কেন্দ্র কোভিদ-১৯ এইদনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্লগা মীয়ামগীদমক্তা হোৎনজরিবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্লসু শৌগৎফম থোকই হায়বগী ৱাখল্লোলদা শেলগী তেংবাং অসি পীবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা ঐখোয় খুদিংমক অমত্তা ওইনা লায়না-লাইচৎ অসি থেংনমিন্নদুনা হান্নগুম্না তংদু-লৈতাবা পুন্সি মহিং অদুদা হিংমিন্নসি। লোয়নননা ঐখোয়গীদমক্তা হোৎনজরিবা কম্মিতি অসিনা মায় পাক্লা মথৌ তৌজবা ঙম্ননবা ইশাগী ঙমজা-ঙমজবা মতেং পীমিন্নসি হায়খি।

কম্মিতি অসিদা শেলগী মতেং পীবিরকপা অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নননা কম্মিতি অসিগী মেম্বর এ কে প্রেমনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা ইশু অমা লৈরকপদা কম্মিতি অসিগী ফোন নম্বর ৮১৩১০৭৩৬৮৬ নত্রগা ৮১৩১০৭৩৬৮৯দা পাউ ফাওবিরক্লবসু মীয়ামদা অপিল তৌরক্লি।

## চয়োলগী ৱেবিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপা ওইনা দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজিগী ইনষ্টিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টনা ৱেবিনার পাঙথোকখ্রে।

ইনষ্টিট্যুট অসিগী সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর অকবর মাজিদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আই বি এস দিগী দিরেক্টর, প্রোফেসর পুলোক কে মুখর্জিগী লীচিং মখাদা চয়োল খূদিংগী ৱেবিনার পাঙথোক্লবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা লাকখি। ইন্টরনেসনল সোসাইটি ফোর এথনো ফার্মাকোলোজি, স্বিটজরলেন্দগী প্রসিদেন্ট অমদি সোসাইটি ফোর এথনো ফার্মাকোলোজি, ইন্দিয়াগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা প্রোফেসর পুলোক কে মুখর্জিগী লীচিং মখাদা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা চয়োল খূদিংগী ইম্ফাল, মিজোরাম, সিক্কিম অমসুং মেঘালয়াদা লৈরিবা আই বি এস দিগী ওফিসশিংনা ৱেবিনার পাঙথোক্তুনা লাক্লি। খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা মে ৯গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ তগীনা নুমীদাং পুং ৭.৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৱেবিনারদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই লিশিং ১ হেনবনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা ৱেবিনার মে ১৬তা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা 'ইন্টরভেন্সন ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি টু ইনহেন্স দ বাইও ইকনমি ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া' অমসুং আই সী এম আর- নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ট্রেদিসনল মেদিসিনগী দিরেক্টর ডা. দেব প্রসাদ চতোপদ্যায়না 'কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক: বেট্টল বিট্যুন প্রিমিটিভ ভাইরস ভর্সস মোষ্ট ইভোল্‌ভ হোমো সেপিয়ন্স' হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

/পাইলসকী ওজা অবদুল হকপু থাগৎচরি


পাইলসকী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐনা অৱাবা খাংদুনা চহী ৬ মুক লৈরকখি। অদুবু নোংমা পাউচেদা থেংনজবদগী ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681গী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাজবদগী হকচাং নুংঙাইজরে। ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিংদি খোঙ হাম্বদা ঈ তাবা, চিকপা, থুপ্পা, পোম্বা, কক-কক থিনবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা অসিনচিংবনি। অতোপ্পা মাইবশিংগী হীদাক চাখি অদুবু কান্নবা ফংখিদে। লায়নাসি লৈবা মীওইশিংনা ওজাগী হীদাক অসি অমুক্তং চাবীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা খঙহঞ্জরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

*থাগৎচরিবা :* **P. Sanjit Meitei,**
Luwangsangbam Awang
HL-P/6245/19

/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি


Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্লৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-P/6708/05-05to4/06

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 192/SDC/IW (P) of 2020**

Shri Chongtham Ramesh Singh, S/o (L) Bijoy Singh of Changangei Mayai Leikai ...*Petitioner*

-Vrs-

Late Shri Chongtham Bijoy Singh, S/o Lalji Singh of Changangei ...O.P. Party

/ **NOTICE**

18/05/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর 78- Changangeiগী পাট্টা নম্বর 167/683, দাগ নম্বর 314 গী পোইন্ট 0.9475 একর চাউবা অঙনফৌগী লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পানঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৭/০৫/২০২০ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
**Imphal West, Patsoi**

HL-P/6742/19

/শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম:



পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরন্বী **হাওবিজম নিংঙোল নিংথৌজম ওংবী য়াঁইমা দেবী**না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১৩/০৫/২০২০ ইং, কালেনগী ২১নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য রাধা গোবিন্দ দাসীনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। হয়েং তাং ১৮/০৫/২০২০ ইং, কালেনগী ২৬নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৬/০৫/২০২০ ইং, ইঙাগী ৪নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়নননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি। হৌজিক-হৌজিক লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈবাক্কী অথিংবা লৈবা মরম্না লাইগী থৌরমতমক পাঙথোকচগনি। মরম অসিনা নুংশিরবা মীয়াম্না ৱারৌবীদনবা নীংশিংজরি।

অয়ূক পুং ৮:৩০ : ভেট কৎপা; অয়ূক পুং ৯:৩০ : সঙ্কীর্ত্তন হৌবা; অয়ূক পুং ১১:০০ : থৌরম লোইশিনবা।

*বিনিতগণ :- নিংথৌজম চাওবা সিংহ (মপুরোইবা)*
*পেলেস কম্পাউন্দ, মচা লৈমা মনাক*
HL-P/6740/18,19

## মরোল থোকপা লাই

